ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ

# ইন্দিয়ানা চাইনাবু ৯শুবা রাউন্দদা গেম ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে



দিব্যা দেশমুখ অমসুং আর প্রগনন্ধনা



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): ইন্টরনেসনল চেছ ফেদরেসননা শীন্দুনা পাঙথোকপা অহানবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদকী ঙসি শান্নখিবা ৯শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী টিমনা চাইনাবু গেম ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা পুল এদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

গ্রুপ অসিদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ১৭ ফংদুনা মকোক ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি। অদুবু পোইন্ট ১৬ অমসুং ১১ ফংলিবা চাইনা অমসুং জর্মনিনা অনীশুবা পুল অসিদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙম্ননবা প্লে ওফ লম্বা তৌনরগনি।

ওনলাইন চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী টিম অসি তরেৎশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি। অমরোমদা চাইনানা টুর্নামেন্ট অসি টাইটল লৌবগী অচৌবা থাজবগা লোয়ননা শরুক য়ারকখি।

ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবা নহা ওইরিবা শান্নরোয়শিংনা সিনিয়র শান্নরোয়শিংদগী হেন্না ফজবা ঙমদুনা চাইনাবু মায়থীবা পীবা অদুদা চাওনা মতেং পাংখি। সিনিয়র শান্নরোয় মরি মখোয়-মখোয়গী গেম দ্রো চৎখি। অদুবু নহা ওইরিবা শান্নরোয় দিব্যা দেশমুখ অমসুং আর প্রগনন্ধনা মখোয়-মখোয়গী গেমশিং অদু মায় পাকপা ঙমখি।

মাপনশুবা রাউন্দ অদুগী অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর বিদিট গুজরাথিনা চাইনাগী নম্বর ৱান শান্নরোয় গ্রান্দমাষ্টর দিং লিরেনগা লম্বা তৌনবদা দ্রো চৎখি। অহুমশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী শান্নরোয় পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা চাইনাগী য়াংগি য়ুগা দ্রো চৎখি।

নুপীগী মায়কৈদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর অমদি নম্বর ৱানসু ওইরিবা কোনেরু হম্পীনা চাইনাগী নম্বর ৱান নুপীগী শান্নরোয় হৌ য়িফানগা শান্নবদসু মায় পাক্লবা ঙমদবদগী পোইন্ট য়েন্নখি। মখা তারকপদা অতোপ্পা নুপীগী শান্নরোয় ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর দ্রোনাভালি হরিকানা চাইনাগী ৱেনজুন জুনগা শান্নবদসু দ্রো চৎখি। গেম মরি ইন্দিয়া অমসুং চাইনা দ্রো চৎখ্রবা মতুং মঙাশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী য়াম্না নহা ওইরিবা গ্রান্দমাষ্টর রমেশ বাবু প্রগনন্ধনা চাইনাগী শান্নরোয় য়ান লিয়ুবু মায়থীবা পীদুনা মাংজিল থাবা হৌখি। লোয়ননা তরুকশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোয় দিব্যা দেশমুখনা চাইনাগী শান্নরোয় জিনর ঝুবু মায়থীবা পীদুনা চাইনাবু টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না থাজদবা মওংদা গেম ৪-২দা মায়থীবা পীদুনা অহানবা ওনলাইন চেছ ওলিম্পিয়াদ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি অঙনবদা ইন্দিয়ানা তরেৎশুবা রাউন্দ অদু জিওর্জিয়াগা লম্বা তৌনখি। মদুদসু ইন্দিয়ানা গেম ৪-২দা মায় পাকপা ঙমখি। অহানবা গেমদা ইন্দিয়াগী বিস্বানাথন আনন্দ জিওর্জিয়াগী লিবান পান্টসুলিয়াগা দ্রো চৎখি। অনীশুবা গেমদা পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা জিওর্জিয়াগী লুকা পাইচাদেবু থোইখি। কোনেরো হম্পীনা মেরি অরাবিদজেগা দ্রো চৎখ্রবা মতুং মরিশুবা গেমদা দ্রোনাভালি হরিকা নিনো ভটসিয়াসবিলিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি। অদুবু নহা ওইরিবা আর প্রগনন্ধনা নিকোলোজি কসারাভাবু মায়থীবা পীরবা মতুং তরুকশুবা গেমদা দিব্য দেশমুখনা দাইনা লোমিয়াবু মায়থীবা পীদুনা রাউন্দ অদু ইন্দিয়ানা ৪-২দা মায় পাকখিবনি।

ইন্দিয়ানা মরিশুবা রাউন্দদা জর্মনিগা লম্বা তৌনখিবা অদুদসু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। টিম কেপ্টেন ওইরিবা বিদিট গুজরাথিনা জর্মনিগী রাসমুস স্বানেবু মায়থীবা পীখি। মদুগী মতুংদা পেন্টালা হরিকৃষ্ণনা মাথিয়াস ব্লুবোমগা দ্রো চৎখি। মহাক্কী মথংদা নুপীগী শান্নরোয় দ্রোনাভালি হরিকাসু লারা সুলসকা দ্রো চৎলবা মতুং ভক্তি কুলকরনিনা ফিলিজ ওস্মানোজাবু মায়থীবা পীখি। নিহাল সরিনা রোবেন ভোজেলগা দ্রো চৎলবা মতুং বন্তিকা অগরৱালনা জানা স্নাইদরবু থোইদুনা রাউন্দ ৪.৫-১.৫দা মায়থীবা পীখি।

# মেচ হেন্না শান্নবা ফংবা অমদি ইন্টরনেসনল এক্সপোজর হেনগৎলকপনা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ফগৎলকপনি : ভুটিয়া



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): কুমজা ২০১১দা ফুটবোল মশান্নদগী পোথাখ্রবা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়াদুনা ইন্টরনেসনল মেচ ইহান হান্না শান্নবা ঙমখিবা সিক্কিম মচা কেপ্টেনসু ওইরম্লবা বৈচুং ভুটিয়ানা ফোঙদোরকখিবদা, ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হৌজিক ফগৎলক্লিবা অসি মেচ মশীং য়াম্না শান্নবা অমদি ইন্টরনেসনল এক্সপোজর মশীং হেনগৎলকপদগীনি হায়খ্রে।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) টি ভিগা ৱারী শানবা অমদা বৈচুং ভুটিয়ানা ফুটবোলগী লম্‌দা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসি এক্সপোজরগী চাং হেনগৎলকপা, মেচ মশীং শান্নবা য়ামখৎলকপা অমদি ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী ফীভম ফগৎলকপদগীনি হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা, ফুটবোল মশান্না অসিদগী পোথাদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী কেপ্টেন ওইদুনা মতম শাংনা থৌদাং পুরকখিবা অদুদা লৈখিবা ফীভম অদুদগীদি হৌজিক শান্নরোয়শিংনা ফংলিবা খূদোংচাবশিং অসি য়াম্না খেন্নরে হায়খি।

কোচিং ষ্টাফতগী হৌরগা কম্পিটিসনগী লেবেল, সপোর্ট ষ্টাফ অমদি স্পোন্সরশিংগীসু য়াম্না মরু ওইবা থৌদাং পীদুনা লাক্লি। মহাক্কী মতমদা ইন্দিয়াগী টিমনা ইন্টরনেসনল মেচ শান্নবা অদু মশীং য়াম্না নেমখি। কম্পিটিসন অমা শরুক য়াবা মতমদা মেচ মশীং য়ামদবা মরম্না শান্নবদা হান্না লৈরম্বা ফীভমদগী হেনগৎপা কা হেন্না ঙমখিদে। কুমজা ১৯৯৫দা ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিমদা অহানবা ইন্টরনেসনল মেচ শান্নখিবা বৈচুং ভুটিয়ানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা, লৈবাক অসিদা কুমজা ২০১৪দা হৌদোকখিবা ইন্দিয়ন সুপর লিগনা শান্নরোয়শিংদা অহেনবা এক্সপরিয়েন্স কয়া অমা পীবা ঙম্লি। লিগ অসি মায় পাক্লা এদিসন তরুক্লক শান্নবা ঙমখ্রবনি।

ইন্দিয়ন সুপর লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসি লাকপদগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মায়কৈদা ফগৎলকপা কয়া লৈখি। ট্রেনিং গ্রাউন্দশিং, কোচিং ষ্টাফশিং, গ্রাউন্দগী ক্বালিটি অমদি মেচশিং অদুসু ষ্টেন্দর্দ ৱাংখৎলকখি। মহাক্কী মতমদদি গ্রাউন্দগী ফীভম ফত্তবা মরম্না বোল চেল্লু হায়বা য়াদবা মতাং ফাওবা য়াওরকখি হায়খি।

ইন্দিয়ন সুপর লিগ শান্নবা ফংহৌদ্রবসু মহাক্কী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা অমদি পেনখিদবা লৈতে। আই-লিগতি মহাক্কী মতমদগী হৌদুনা ইন্দিয়াদা লৈবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইখি। মদুদা মহাক শান্নবা ফংখিবা অদু লাইবক ফবনি হায়খি।

কুমজা ১৯৯৮দা অর্জুনা এৱার্দ ফংখ্রবা অমদি ২০০৮দা পদ্মা শ্রী এৱার্দ ফংখ্রবা বৈচুং ভুটিয়ানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অসি য়াম্না কান্নে। এ এফ সী এসিয়ন কপ অমদি ফিফা য়ুঠ ৱর্ল্ড কপতা চাংনাইনা ইন্দিয়ানা ক্বালিফাই ওইবগী তঙাইফদবা অদু থমদুনা সিনিয়র লেবেলদা মালেমগী থাক্তা শরুক য়াবা ঙম্নবা হোৎনগদবনি হায়খি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা ফিফা অমদি এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী লমজিং মখাদা লৌখৎলক্লিবা গ্রাসরুট লেবেলগী দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামশিং অসি হৌজিক লৈরিবা চাং অসিদগী হেন্না মপাঙ্গল কলহনবা মথৌ তারি। এসিয়াগী ওইনা অচৌবা টুর্নামেন্টশিংদা শরুক য়াবা ঙম্নবা হান্না টার্গেট থমগদবনি। মদুগী মতুংদা মালেমগী ওইবা টুর্নামেন্টশিংদা মখা তানা পূক্নিং চঙশিনবগী লম্বেল অদু মথন্তা লাকচগদবনি।

ইন্দিয়ন সুপর লিগতা য়ুরোপ অমসুং সাউথ অমেরিকাগী মমিং লৈরবা শান্নরোয় কয়া চহী খরা হেল্লবসু ইন্দিয়াদা লাক্তুনা শান্নবা য়াওবা অসিনা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী লেবেল অসি য়াম্না ফগৎলকপনি। লোয়ননা শরুক য়ারিবা ক্লবশিং অসিগী মপু/ স্পোন্সরশিংনা শান্নরোয়শিংদা পীরিবা খূদোংচাবশিং হান্নদগী শরুক য়াম্না ফগৎলে। মরুওইনা অফবা কোচশিং লৌবগী খূদোংচাবা লৈরকপা মরম্না লৈরম্বা ফুটবোল মশান্নগী মওং অদু হান্নদগী ফগৎতুনা এসিয়াগী থাক্তা ইন্দিয়াগী ফুটবোলগী ওইনা নুপা অমসুং নুপীগী শান্নরোয়শিংনা হান্না লৈরম্বা থাক্তগী হেনগৎলকপা অসি খূদোংচাবা অমদি মেচ মশীং য়াম্না শান্নবা অসিননি হায়না ফোঙদোকখি।

# দিল্লি কেপিটেলস অমসুং এস আর ঐচনা য়ু এ ঈদা য়ৌবা অরোইবা টিম ওইখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ১৯দগী নবেম্বর ১০ ফাওবা য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ন প্রিমিয়র লিগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২০দা শরুক য়াগদবা টিমশিংগী মনুংদা দিল্লি কেপিটেলস অমসুং সনরাইজরস হায়দরবাদনা মফম অদু য়ৌখিবা অরোইবা টিমশিং ওইখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদু ফেস মাস্ক অমদি ফেস সিল্ড উপ্তুনা মুম্বাইদগী য়ু এ ঈদা য়ৌখিবনি। মফম অদুদা বি সী সী আইনা পীখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না নুমীৎ তরুক্নি ক্বারন্টিন তৌদুনা লৈগদৌরিবনি। মখোয়না ক্বারন্টিনদা লৈরিবা অদুদা অহৌবা নুমীৎ, হুম্নি শুবা নুমীৎ অমদি তরুক্নি শুবা নুমীৎতা অহুল্লক আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌগদৌরি। হায়রিবা টেষ্ট অহুম অদুদা নেগেটিভ ওইরম্বা শান্নরোয়শিং অদু টুর্নামেন্ট পাঙথোক্কদৌরিবা বাইও ববল মনুংদা চঙবা য়াগদৌরিবনি।

পনবা য়াই, মালেমগী টি-২০ লিগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ওইরিবা আই পি এলগী মেচশিং অদু দুবাই, অবু ধাবি অমসুং সর্জা সিটিদা শান্নগদৌরি।

শান্নরোয়শিং অসিনা নুমীৎ তরক্নিগী ওইবা ক্বারন্টিনদা লৈরিঙৈ মনুংদা মখোয়না লৈরিবা কাদগী হেন্দোকপা য়ারোইদৌরি। টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা টিমশিং অদুদি চেন্নাই সুপর কিংস, রোয়ল চেলেঞ্জরস বেঙ্গলোর, কিংস ইলেভেন পঞ্জাব, কোলকটা নাইট রাইদরস, মুম্বাই ইন্দিয়নস, দিল্লি কেপিটেলস অমসুং সনরাইজরস হায়দরবাদনি। শান্নরোয়শিং অসি ইন্দিয়া থাদোক্রিঙৈ মাংওইননা টেষ্ট কয়া পাঙথোক্তুনা নেগেটিভ ওইখ্রবনি।

# জপান লিগ ফুটবোলগী পোইন্ট টেবল লুচিংবা কৱাসাকি ফ্রন্টেল অহানবা ওইনা লিগ অসিদা মায়থীবা নংখ্রে



টোকিও, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): জপানগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা জপান লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেচ অমদা টিম ১৮গী ওইবা লম্বাদা পোইন্ট ৩১ ফংলগা রাউন্দ ১১ শান্নখিবদা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংখিদ্রিবা কৱাসাকি ফ্রন্টেল নাগোয়া গ্রেমপসকী মখূৎতা ০-১দা অহানবা ওইনা মায়থীবা নংখ্রে।

মেচ অদুদা টিম অনীমক অহানবা হাফ লোইরমদাই ফাওবা লম্বা মান্নদুনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু হাফ অদুগী মিনট ১তা ঙাইরবা মতমদা নাগোয়া গ্রেমপসকী মায়কৈদগী মার্টিয়সনা খাইরকপা বোল অমদা এম কনাজাকিনা পাঞ্জল চন্দুনা কৱাসাকি ফ্রন্টেলবু ১-০দা মাংজিল থাখি। অনীশুবা হাফ পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদবদগী নাগোয়া গ্রেমপস মায় পাকপা ঙমখি।

অতোপ্পা মেচ অমদা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরিবা সেরোজো ওসাকানা ভিজেলতা সেন্দাইবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

মেচগী অহানবা হাফতা নাকল অনীদগী পাঞ্জল অমমম্‌ চন্নবা ঙমখি। ১৯শুবা মিনটতা সেরেজো ওসাকাগী সকামোটোনা পীরকপা বোল অমদা কিয়োতা কেনা একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাফকী অরোইবা মিনটতা বিজেলতা সেন্দাইগী হমাসাকিনা পাস তৌরকপা বোল অমদা টিমমেট হাসিসুকানা ইক্কেলাইজর অদু চনখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা মিনট ১৫ চঙশিল্লকপদা সেরেজো ওসাকাগী এটেক অমদা সাকামোটোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মখোয়না ২-১দা থোইখি।

এফ সী টোকিওনা সোনান বেলমারবু পাঞ্জল ৩-০দা থোইখি। ৩৭শুবা মিনটতা কে নাগাইনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। অদুগা মখা তাবা পাঞ্জল ২ অদুনা শান্নবগী ৮৪শুবা অমদি ৯০শুবা মিনটতা ওলিভিয়ারা অমদি হরানা চনখি।

# কালিস, অবাস অমসুং ষ্টালিকর আই সী সী হোল ওফ ফেমদা য়াওখ্রে

দুবাই, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): সাউথ অফ্রিকাগী মমিং লৈরবা ওল রাউন্দর জেক কালিস, পাকিস্তানগী মমিং লৈরবা বেটচমেন জহির অবাস অমসুং ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট কেপ্টেন লিজা ষ্টালিকর ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সলগী হোল ওফ ফেমদা মমিং য়াওখ্রে।

ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা ওল রাউন্দরশিংগী মনুংদা য়াম্না মমিং লৈরবা সাউথ অফ্রিকাগী শান্নরোয় জেক কালিসনা কুমজা ১৯৯৫দগী ২০১৪ ফাওবদা টেষ্ট মেচ ১৬৬, ও দি আই ৩২৮ অমসুং টি-২০ মেচ ২৫ শরুক য়ারমখি। চহী ৪৪ শুরবা কালিসনা সাউথ অফ্রিকাগী ওইনা টেষ্ট অমসুং ও দি আইদা রন খ্বাইদগী য়াম্না লৌবা ঙমখি। লোয়ননা টেষ্ট ক্রিকেটতা ৱিকেট ২৯২ অমসুং ৱান দেদা ৱিকেট ২৭৩ লৌখি।

পাকিস্তানগী বেটচমেন জহির অবাসনা বেটিংগী লম্‌দা টেষ্ট ক্রিকেট অমসুং ৱান দে ইন্টরনেসনলদা পাকিস্তান ওইনা য়াম্না ফজবা শান্নরোয় অমা ওইখি। টেষ্ট মেচ ৭৮ শান্নবদা রন ৫০৬২ লৌখি। অদুগা পাকিস্তানগী ওইনা ৱান দে মেচ ৬২ শান্নবদা রন ২৫৭২ লৌবা ঙমখি। মহাক্কী খ্বাইদগী ফজরিবদি টেষ্ট ক্রিকেট অমসুং ৱান দেগী ফোর্মেট অসিদা বেটিংগী এভরেজ অসি চপ মান্ননা ৪০ ওইখি। ইন্দিয়াগী সিটি পুনেদা পোকখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী নুপীগী কেপ্টেন ওইরম্বী লিজা ষ্টালিকরনা ওষ্ট্রেলিয়াগীদমক্তা টেষ্ট মেচ ৮, ৱান দে মেচ ১২৫ অমসুং টি-২০ মেচ ৫৪ শান্নবা ঙমখি। শান্নরোয় অহুম অসিবু হোল ওফ ফেমদা মমিং য়াওহনবগী থৌরম অদু ভর্চ্যুএল ওইনা পাঙথোকখি। মদুদা ইন্দিয়াগী গবাস্কর অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী সোন পোলোকসু শরুক য়াখি।

# মায় পাকখিবদগী উলসান হুন্দাই অমসুং জিওনবুক এফ সী অহানবা অমদি অনীশুবা পোজিসনদা অদুম্মক লেঙদনা লৈরি



সিওল, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): কোরিয়া লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট-কী ঙসি শান্নখিবা ১৭শুবা রাউন্দগী মেচশিংদা উলসান হুন্দাই অমসুং জিওনবুক এফ সীনা মখোয়-মখোয়গী লম্বাশিংবু মায়থীবা পীদুনা টিম ১২গী লম্বাদা হান্না লৈখিবা মকোক-মথং তাবগী পোজিসনশিং অদু লেঙদনা অদুম্মক লৈবা ঙম্লি।

অনীশুবা পোজিসনদা লৈখিবা জিওনবুক এফ সী মমাংগী রাউন্দ ১৬ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৮ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি। ঙসি টিম অদুনা জিওনজু ৱর্ল্ড কপ ষ্টেদিয়মদা সেংজু সেংঙুগা লম্বা তৌনখি। মেচ অদু য়াম্না ঙন্না জিওনবুক এফ সীনা মাংজিল থাবা ঙমখি। শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী এস লিনা পাঞ্জল চনখি। অদুবু সেংজু সেংঙুগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা টিম অদুগী শান্নরোয় ঐচ ওহোনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা মখা তানা মেচ অদু লেংমান্নরক্তুনা অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ লোইশিল্লকপদা পাঞ্জল অমমম্‌ চন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফকী শান্নবা অদু কুইনা পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অদুবু ৮৮শুবা মিনটতা জিওনবুক এফ সীগী মায়কৈদগী গুস্টাভোনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু চন্দুনা ২-১দা থোইখি।

লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ১৬শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা পোইন্ট ৩৯ ফংলগা মাংজিল থাখিবা উলসান হুন্দাইনা ঙসি ১৭শুবা রাউন্দদা সিওংনাম এফ সীগা শান্নখি।

মেচ অদুগী অহানবা হাফতা উলসান হুন্দাইগী মায়কৈদগী জেনেগ্রাওনা পাঞ্জল ২ চনখি। অহানবা পাঞ্জল অদু ৩৬শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা অনীশুবা অদুনা ৪১শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমদা চনখি। সিওংনাম এফ সীগী মায়কৈদগী এস নানা ৫৬শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি।

# মেজর ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীফম থোকই হায়না হান্নগী অমসুং হৌজিক-হৌজিক ইন্দিয়াগী হোকি শান্নরিবশিংনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): ‘ৱিজার্দ ওফ হোকি’ হায়না ঙসি ফাওবা মীয়াম্না খঙনরিবা মমিং লৈরবা হোকি শান্নরোয় মেজর ধ্যান চান্দগী ১১৫ শুবা মপোক কুমওন নকশিল্লকপগা লোয়ননা মমাংদা হোকি শান্নরম্বা অমদি হৌজিক-হৌজিকসু শান্নরিবা শান্নরোয়শিংনা অপূনবা খোল্লাউ অমগা লোয়ননা লৈঙাক্লা শান্নরোয় অসিদা লৈবাক্কী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্না পীগদবনি হায়না তকশিল্লক্লি।

থাংজ নুমীৎতা ধ্যান চান্দগী পূন্সি অমসুং করিয়রগী মতাংদা ভর্চ্যুএল দিস্কসন অমদা শরুক য়ারদুনা গুরবাক সিংহ, হর্বিন্দর সিংহ, অশোক কুমার অমসুং হৌজিক-হৌজিক শান্নরিবা য়ুবরাজ ৱালমিকি য়াওনা ধ্যান চান্দবু লৈঙাক্লা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা সিভিলিয়ন এৱার্দ ভারত রত্না পীফম থোকই হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ইন্দিয়াদা নেসনল স্পোর্টস দে হায়না ওগষ্ট ২৯দা পাঙথোক্লিবা অসি ধ্যান চান্দগী মপোক নুমীৎনি। ভর্চ্যুএল দিস্কসন অদু হৌখিবা চহীদা হৌজিক-হৌজিক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা সৌরব গঙ্গুলি, ফিল্ম এক্টর বাবুসন মোহন্তি অমসুং রেচেল হ্বাইটনা হৌদোকখিবা ধ্যান চান্দদা ভারত রত্না পীবগী দিজিটেল কেম্পেয়ন অদুগী মখা চৎথরকপনি।

মশাগী চহী ৮৫শুরবা অর্জুনা এৱার্দী অমসু ওইরিবা গুরবাক সিংহনা নহা ওইরিঙৈদা ধ্যান চান্দগা ইষ্ট অফ্রিকা অমসুং য়ুরোপতা থা ১গী ওইবা হোকিটুর অমা চৎমিন্নবা ফংখিবা অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লাইবক ফবনি হায়খি। হোকিগী লম্‌দা মখোয়গী ওইনদি ধ্যান চান্দ অসি লাইগুরুনি। মহাক্কী এক্সপরিয়েন্স শ্যের তৌরদুনা ফোঙদোকখিবদা, কুমজা ১৯৬৪ টোকিও ওলিম্পিক্স গেমসতা ইন্দিয়ানা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা, ধ্যান চান্দগী মচানুপা অর্জুনা এৱার্দী ওইখ্রবা অশোক কুমারনা কুমজা ১৯৩৬ বর্লিন ওলিম্পিক্সকী ৱারী লিরদুনা ফাইনেলদা জর্মনিগা শান্নবদা নোংতাবদগী অনীশুবা হাফতা ধ্যান চান্দ অমসুং অতোপ্পা শান্নরোয় রূপ সিংহনা খোঙউপ লৌথোক্লগা জর্মনিগা শান্নখিবদা মখোয় অনীনা পূন্না পাঞ্জল ৭ চন্দুনা জর্মনিবু পাঞ্জল ৮-১দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০

# মঙারক টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং অহানবা ফাইনেল চঙলকপা পেরিস সেন্ট জর্মেননা চেম্পিয়ন্স লিগ টাইটল মুন্নগদৌরি





লিজবোন, ওগষ্ট ২৩ (এজেন্সী): জর্মন মচা অনীনা কোচ পীবা বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং পেরিস সেন্ট জর্মেন ফুটবোল ক্লব অনীনা কুমজা ২০১৯-২০গী য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টাইটল মুন্নগদৌরি। জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক টাইটল অসি মঙারক লৌবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা ফ্রান্সকী পেরিস সেন্ট জর্মেন অহানবা ওইনা ফাইনেল চঙলকপনি।

বেয়র্ন ম্যুনিককী কোচ হান্সি ফ্লিকনি। অদুগা পেরিস সেন্ট জর্মেনগীনা অতোপ্পা জর্মনি মচা থোমাস টুসেলনি। জর্মনগী কোচ অনী অসিনা ঙসি নোংয়াই মতুংদা শান্নগদৌরিবা ফাইনেল মেচ অদুদা মখোয়-মখোয়গী শান্নরোয়শিংনা টাইটল লৌননবা তোঙান-তোঙানবা লাল্লোং শিন্নগদৌরি।

ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা টিম অনী অসিগী মরু ওইবা শান্নরোয়শিং চাংদম্নবদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা হীরম খূদিংমক্তা হেন্দুনা লৈরি। ক্লব অসিগী ষ্ট্রাইকর রোবর্ট লিৱান্দোস্কিনা সিজন অসিগী ওইনা সেমিফাইনেল ফাওবদা পূন্না পাঞ্জল ৫৫ চনবা ঙমখি। অমরোমদা, পি এস জিগী কিলিয়ান মাপেনা পাঞ্জল ৩০ চল্লগা টিম অদুগী ওইনা খ্বাইদগী পাঞ্জল চনবা ঙম্বা শান্নরোয় ওইরি।

প্লেমেকর ওইনা ষ্ট্রাইকরশিংবু বোল সপ্লাই তৌবদা বেয়র্ন ম্যুনিককী থোমাস মুলরনা এসিষ্ট ২৩রক তৌবা ঙম্লি। অমরোমদা, পি এজ জিগী ওইনা এঞ্জেল দি মারিয়ানা এসিষ্ট ১৬ তৌরি। চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯-২০ অসি নুমীৎ ৪২৫নিগী মতুংদা হয়েং অরোইবা মেচ শান্নগদৌরিবনি।

থা অসিদা হৌরকখিবা লেমহৌবা প্রিক্বার্টর ফাইনেলদগী হৌরগা মমাংদা টর্কিগী কোনুং ইষ্টানবুলদা ফাইনেল শান্নগদবা অদু পোর্টুগালগী কোনুং লিজবোনদা ক্বার্টর ফাইনেলদগী হৌরগা ফাইনেল ফাওবা ওর্গনাইজরশিংনা শিল্লকখি।

ফ্রান্সকী ক্লব পি এস জিনা চহী ৫০রক শুরকপদা অহানবা ওইনা চেম্পিয়ন্স লিগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌরকপনি। ক্লব অসিনা খ্বাইদগী ফজখিবা পর্ফোর্মেন্স অদু কুমজা ১৯৯৫দা সেমিফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা অদুনি। অমরোমদা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিকনা কুমজা ১৯৭৪, ১৯৭৫, ১৯৭৬, ২০০১ অমসুং ২০১৩দা চেম্পিয়ন্স লিগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবনি।

ক্লব অনীনা মখোয়-মখোয়গী দোমেষ্টিক টুর্নামেন্টতসু চাওনা মায় পাক্তুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৯-২০গী ওইনা পি এস জিনা ফ্রান্সকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগে-১ টাইটল ফংবদা নৎতনা ফ্রেঞ্চ কপ অমসুং লিগ কপকী টাইটলসু লৌখি। অমরোমদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা জর্মনিগী নম্বর ৱান লিগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা বুন্দেসলিগা অমসুং জর্মন কপকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

# খো-খো শান্নরোয় রাধাকান্ত অমসুং অঞ্জলি লৈখিদবদা এম এ কে কে এনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি





ইম্ফাল, ওগষ্ট ২৩ (ঐচ এন এস): মণিপুর অমেচর খো-খো এসোসিএসনগী নেসনল খো-খো প্লেয়র ওইরিবা হৌজিক-হৌজিক্লা এস সী ঈ এ এস দি ও হৈরোক্তা শান্নরিবা প্লেয়র অনী মথংশিংনা খুন্দোংবম রাধাকান্ত অমসুং লাইশ্রম অঞ্জলি খূদোংথিবা থৌদোকশিংদা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

কে রাধাকান্দ অপোকপা ইন্দ্রকুমার হৈরোক পার্ট-টু বজারনা থা অসিগী ২০দা লৈখিদবনি। লাইশ্রম অঞ্জলি অপোকপা লৈখিদ্রবা হেম্বা, হৈরোক পার্ট-টু মমাং লৈকাইনা থা অসিগী ২২দা লৈখিদবনি।

মণিপুর এমেচর খো-খো এসোসিএসনগী অথুবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লৈখিদ্রবা শান্নরোয় অনীদা অৱাবা ফোঙদোকখি।

অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট কেবারুনি অমসুং চ্যেরমেন এম মোধুসুদোননা থৌরমমপূ ওইরগা কোভিদ-১৯গী প্রোটোকোল ঙাক্লা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অদু পাঙথোকখি।

এম এ কে কে এগী জেনরেল সেক্রেটরি এম হিমন্তনা অৱাবা ফোঙদোকপগী থৌরম অদুদা ৱাঙাংবদা শান্নরোয় অনী অসিনা হিংলিঙৈ মতমদা নেসনল লেবেলগী খো-খো চেম্পিয়নশিপশিংদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নরমখিবা অদুবু শীংথাদুনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙসি তিনখিবা এসোসিএসন অদুগী মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবা শান্নরোয় অনীগী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com